# রামজান সিজফাইয়ারনা তংদু লৈতাবা, চাউখৎপা জম্মু এন্দ কাশ্মীর ওইহন্নবগী তাঞ্জা পীরগনি ঃ *মোদি*



***শ্রীনগর, মে ১৯ ঃ***

হোলি মন্থ রামজান মনুংদা জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী টেরর গ্রূপশিংগী মথক্তা সেন্টরনা সস্পেনসন ওফ ওপরেসনস লাওথোকখিবা মতুংদা অহানবা ওইনা জম্মু এন্দ কাশ্মীরদা প্রোজেক্ট কয়ামরুম শঙ্গানবা অমসুং যাত্রা হুন্নবা নোংমগী খোঙচৎতা লাক্লিবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা রামজান সিজফাইয়ার অসি তংদু লৈতাবা অমসুং চাউখৎপা জম্মু এন্দ কাশ্মীর অমা ওইহন্নবগী অফবা তাঞ্জা অমনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ষ্টেট অসিগী কালেন থাগী কোনুং ওইরিবা শ্রীনগর সিটিদগী অৱাংদা কিলোমিটর ৪৫০ লাপ্পদা লৈরিবা অদুগা পাকিষ্টান অমসুং চাইনাগা ঙমখৈ তায়নরিবা হিমালয়ান তাউন লেহদা লাকপা মসিনা প্রাইম মিনিষ্টরগী অনীশুবা খোঙচৎনি।

নরেন্দ্র মোদিনা এয়ারপোর্টতা থুংলবা তুংদা লেহ সিটিগী ষ্টিটশিংদা লেপখি অমসুং লম্বীদা মহাকপু তরাম্না ওক্লন্নিবা মীয়ামগা উন্নখি। মহাকপু তরাম্না ওক্লন্নিবা মতৌ অদুদা মীয়ামবু মহাক্না থাগৎখি।

প্রাইম মিনিষ্টরনা লদাখকী ১৯ শুবা স্পিরিচুয়েল লিদর কুসক বাকুলাগী ১০০ শুবা মপোক কুমওনগী লোইশিনবা থৌরমদসু শরুক য়াগনি লোয়ননা লুপা ক্রোর ৬,৮০০ চঙনা শাগদবা শ্রীনগর–লেহ সেক্সন্দা জোজিলা টনেলগী যাত্রা হুল্লমগনি।

মহাক্না খোঙচৎ অসিদা শুপ্নগী নোংমগী মনুংদা জম্মু এন্দ কাশ্মীরদা পূন্না লুপা ক্রোর ২৫,০০০ গী প্রোজেক্টশিং শঙ্গারমগনি নৎত্রগা থবক হৌরমগনি। বলতাল অমসুং মিনামার্গগী মরক্তা শাগদৌরিবা জোজিলা টনলেনা শ্রীনগর, কার্গিল অমসুং লেহগী মরক্তা চহী চূপ্পা চথোক–চৎশিনগী খুদোংচাবা পীরগনি। হায়রিবা লম্বী পরীং অসি নভেম্বর থাদগী মার্চ ফাওবা উন কন্না তাবা, লেন্দস্লাইটশিং থোকপা অমসুং উনপাক নীংখাইবনা মরম ওইদুনা লম্বী চৎপা য়াদে। কিলোমিটর ৯ শাংবা জোজিলা ফাওদুনা চৎলিবা লম্বী অসি হান্নদি পূং ৪ গী মতম চঙলমই। অদুবু টনেল অসি করিগুম্বা শাবা লোয়শিল্লবদি শুপ্নগী মিনিট ১৫ খক্তমক চঙগনি। টনেল অসি ২০২৬ তা লোইশিন্নবা পান্দম থল্লি।

কুসক বাকুলাবু লমদম অসিদা চথখিবা রাজনিটিগী ইহৌ–খোঙজং কয়ামরুমগী মরু ওইনা ইথিন পীবা লুচিংবা অমনি হায়না লৌনৈ। মহাক মে ২১, ১৯১৯ দা পোকখি অমসুং ২০০৩ দা শিখি। মহাক জম্মু এন্দ কাশ্মীর এসেমব্লিদা মীখল মায় পাক্তুনা মিনিষ্টরসু ওইরম্মী। ১৯৬৭ অমসুং ১৯৭১ দা থংন–থংননা তার্ম অনীরক লদাখকী এম পি ওইনা মীখলদা কাখি। ১৯৬২ গী চাইনাগা ইন্দিয়াগা শোক্লখিবা লান অদুদা মহাক্না পেথুব মোনাষ্টরিগী শরুক অমবু মিলিটরি হোস্পিটাল ওন্থোক্লবা আর্মিদা মহাক্না অয়াবা পীখি। ১৯৮৯ দা মোঙ্গোলিয়াদা ইন্দিয়াগী এম্বেসেদর হাপখি অমসুং মালেমগী মনুংদা মহাক্না অহানবা অমসুং অমখক্তং ঙায়রবা মোঙ্ক দিপ্লোমেট ওইখি।

প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা খোঙচৎ অসিদা হায়ড্রো–ইলেক্ট্রিক্ট প্রোজেক্ট অমসু শঙ্গারমগনি।

## স্পাইংগীদমক হান্নগী দিপ্লোমেট মাধুরি গুপ্ত জেলদা চহী ৩ লৈনবা চৈরাক পীখ্রে

***ন্যু দিল্লি, মে ১৯ ঃ***

পাকিষ্টানগী কোনুং ইস্লামাবাদতা ইন্দিয়ান হায়–কম্মিসন্দা থবক তৌরম্বী হান্নগী দিপ্লোমেট মাধুরি গুপ্তবু পাকিষ্টানগী আই এস আই দা লৈবাক্কী অরুবা পাউ লোন্না পীথোকই হায়বগীদমক দিল্লিগী কোর্ট অমনা কনভিক্সন পীবগা লোয়ননা চহী অহুম জেলগী চৈরাক পীখ্রে।

আইনগী মখাদা ঙাক্তুনা থম্বা ঈ–পাউ অরানবা মওংদা পীথোকপা অমসুং স্পাইং তৌবগীদমক এদিস্নেল সেসন্স জজ সিদার্থ শর্ম্মনা হান্নগী নুপী দিপ্লোমেট অসিবু লো অসিগী মখাদা খ্বাইদগী য়াম্বা চৈরাক পীখি। ইস্লামাবাদতা ইন্দিয়ান হায়–কম্মিসন্দা সেকেন্দ সেক্রেটরী (প্রেস এন্দ ইমফোর্মেসন) ওইরম্বী গুপ্তবু ওফিসিয়েল সেক্রেটস (ও এস) এক্টকী তোঙান তোঙানবা প্রোভিজনশিংগী মখাদা ঙরাং মরাল লৈরে হায়বা খঙখি। মঙোন্দা পীরিবা কনভিক্সন অমসুং চৈরাক অসিগী মায়োক্তা অপিল তৌবা য়াননবা কোর্টনা মহাকপু বেল পীখি।

কেস অসিদা মাধুরি গুপ্তবু কনভিক্সন পীরদুনা কোর্ট অসিনা ফোঙদোকখিবদা এক্যুস অসিনা লোন্না থাখ্রিবা ই–মেলশিং অদু তশেংনমক য়েক্লবা লৈবাক অদুদা য়াম্না কান্নহনবা য়াবা অরুবা ঈ–পাউশিংনি। মখল অসিগী ঈ–পাউশিং অসি অতোপ্পদা খঙহন্দনা লোন্না থম্বা হায়বসি খ্বাইদগী হেন্না মরু ওইবনি হায়খি।

মাধুরি গুপ্তবু ওফিসিয়েল সেক্রেট এক্টকী সেক্সন ৩ অমসুং ৫ কী মখাদা কনভিক্সন পীখিবনি। মসিগী মখাদা খ্বাইদগী চাউবা চৈরাক ওইনা চহী ৩ অমসুং ফাইন নৎত্রগা অনীমক পীবা য়াই।

পাকিষ্টানগী ওফিসারশিংদা অরুবা ঈ–পাউশিং পীথোকই হায়বগী মরালদা অমসুং মুবসার রাজা রানা অমসুং জামসেদ কৌবা আই এস আই ওফিসার অনীগা তক্তনা ঈ–পাউ ফাওনবগীদমক দিল্লি পুলিসকী স্পিসিয়েল সেলনা মহাকপু ২০১০ গী এপ্রিল ২২ দা ফাগৎখিবনি।

## অৱাং নোংপোক্তা মখা তানা নোং চুরবা য়াই

***গুৱাহাটি, মে ১৯ ঃ***

লৈবাক অসিগী অৱাং নোংপোক থংবা শরুকশিংদা চহী অসিগী মোন্সুন সিজনগী মাঙওইননা চাং নাইনা নোং চুরক্লি। হৌখিবা পূং ২৪ দা অৱাং নোংপোক থংবা ষ্টেটশিংগী খা থংবা শরুকশিংদা ময়াই ওইরপ্না নোং চুরি। নোং চুবগী চাং অসি ট্রিপুরা, মণিপুর, মিজোরাম, মেঘালয়া অমসুং নোংপোক অসামদা খরা কল্লপ ওইনা চুরি। অরুনাচল প্রদেশতসু মফম চোইনা চোইনা নোং খরা খরা চুরি।

ঙরাং ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পূং ৮.৩০ দগী হৌরগা পূং ২৪ অসিগী মনুংদা চুখিবা নোংগী চাংশিংদি অগর্টলাদা এম এম ১২, কাইলা সহর এম এম ১১, চেরাপুঞ্জি এম এম ৯, কোহিমা এম এম ৭, সিলচর এম এম ৭, লমদিং এম এম ৫, নোর্থ লখিমপুর এম এম ৩, ইম্ফাল এম এম ৩ নি। হায়রিবা মতম অসিদা গুৱাহাটিদসু নোং মরীক খরা খিকখি।

স্কাইমেট ৱেদরগী মতুং ইন্না লমদমশিং অসিদা চুরিবা নোং অসি সব–হিমালয়ান ৱেষ্ট বেঙ্গলদগী মিজোরামলোমদা নোং পুবা নুংশিৎ শিৎচিল্লকপদগীনি হায়রি। মসিগী মথক্তা নোংপোক থংবা উত্তর প্রদেশলোমদগীসু নাগালেন্দলোমদা হুমজিল্লকপা য়াওরি। অসুম্না অপূনবা ৱেদর সিষ্টেম অসিনা মথং লাক্কদৌরিবা পূং ৪৮ দা অৱাং নোংপোক ইন্দিয়াদা মফম খরদা মখা তানা ময়াই ওইরপ্না নোং চুরবা য়াই অদুগা মফম খরদদি হেন্না খরা কন্না চুথরকপসু য়াই হায়রি।

## লালু প্রসাদ যাদবকী হকচাংগী ফিভম শোকচিল্লকপদগী পাতনা হোস্পিটালদা পুখৎখ্রে

***পাতনা, মে ১৯ ঃ***

রাষ্ট্রিয়া জনতা দল (আর জে দি) চীফ লালু প্রসাদ যাদব স্বর হোনবা নুংঙাইতবা অমসুং থবাক নাবগী ৱাকৎ অমা লাকপদগী মহাকপু গভর্ণমেন্টনা চলাইবা হোস্পিটাল অমদা ঙসি থাংজ নুমিত্তা পুখৎখ্রে হায়না মহাক্কী পার্টিগী লুচিংবা অমনা ফোঙদোক্লি।

আর জে দি লুচিংবা ভোলা যাদবকী মতূং ইন্না লালু প্রসাদনা মহাক স্বর হোনবদা অৱাবা লৈরে অমসুং থবাক্তা অনাবা পোকই হায়না খুদক্তা হায়রকপদগী মহাকপু ইন্দিরা গান্ধী ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেসতা পুখৎতুনা লায়েংখিবনি হায়রি।

হৌজিক লালু প্রসাদ যাদবকী হকচাংগী ফিভম য়েংশিন্দুনা লৈরি। মহাক অসি মখল মখা কয়াগী অনাবা ১৬ লোম নারিবা মীওই অমনি হায়রি।

সজিক লৈবগী থবক্তা শেঞ্জা–থুমজা তৌই হায়বগী মরী লৈনবা কেসতা ২০১৭ কী দিসেম্বর ২৩ দগী মিয়াট তাদুনা লৈরক্লিবা বিরসা মুন্দা সেন্ট্রেল জেলদা থা ৫ রোম লৈরবগী তুংদা চয়োল অসিগী অঙনবদা মহাকপু চয়োল তরুক্কী প্রোভিজনেল বেল পীখিবনি। মহাক হান্নসু মার্চ ১৭ তা রাঞ্চিদা লৈবা রাজেন্দ্র ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস) তা পুখৎতুনা লায়েংখ্রবনি।

আর জে দি লুচিংবা অসি ২০১৩ দগী হৌনা সজিক লৈবগী ৱাথোক মরিদা কোর্টনা কনভিক্সন পীখ্রবনি। কনভিক্সন অদুগী মনুংদা খ্বাইদগী নৌবদা স্পিসিয়েল সি বি আই কোর্ট অমনা মহাকপু জেলদা চহী ১৪ চৈরাক পীখিবা দুমকা ট্রিজরি অসিনি।

## লৈবাক কয়ানা অকাস মিসাইল পান্নরক্লি ঃ *দি আর দি ও*

***কোঅম্বাতোর, মে ১৯ ঃ***

ইন্দিয়া মশানা শাজবা অকাস মিসাইলবু লৈবাক কয়ামরুমনা পান্নবা ফোঙদোরক্লে হায়না ঙসি মফম অসিদা দিফেন্স রিছার্স এন্দ দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (দি আর দি ও) গী মকোক থোংবা ওফিসিয়েল অমনা ফোঙদোকখ্রে।

নোং–চিংগী ফিভম পূম্নমক্তা শীজিন্নবা য়াবা লৈখাদগী অতিয়াদা কাপ্পা ময়াই ওইরপ শানবা মিসাইল অমা ওইরিবা অকাস মিসাইলবু লৈবাক কয়ামরুমনা অপাম্বা ফোঙদোক্নরক্লি হায়না দি আর দি ও চিয়ার্মেন এস ক্রিষ্টোফরনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

দি আর দি ও না শাবা অকাস মিসাইল সিষ্টেম অসি ফাইটর জেটশিং, ক্রুজ মিসাইলশিং অমসুং এয়ার–টু–সর্ফেস মিসাইলশিং লোয়ননা বলাষ্টিক মিসাইলগুম্বা এরিয়েল তার্গেটশিংবু মায়থিবা পীনবগী কেপাবিলিটি লৈ।

অকূপ্পা মরোলদি ফোঙদোক্তনা দি আর দি ও চিয়ার্মেন্না মখা তারদুনা অকাস মিসাইলবু লৌবা পাম্লিবা লৈবাকশিং অদুগা ৱারী শান্নবগী থবক চথরি অমসুং শোয়দনমক মায় পাক্লবা য়াই হায়খি।

রিছার্স এন্দ দিভলপমেন্টকী থবক অসিগীদমক পীবা শেনফমগী মতাংদা হংলকপা ৱাহং অমগী পাউখুমদা মহাক্না হায়খি, চহী অসিদা ওর্গনাইজেসন অসিগী লুপা ক্রোর ২০০ গী বজেটরি এলোকেসন অমা লৈরে।

RST Resonant Tutorials Imparting Light to Medical Aspirants
RESONANT TUTORIALS
Imparting Light to Medical Aspirants
SL/Bill (upto 12 June)
ADMISSION OPEN
Regular Course for Medical Entrance Exam
NEET (UG) - 2019
Class Commence : 21st June, 2018
Last Date of Admission : 19th June, 2018
Separate Section For Purely English Medium.
Hostel facility for Boys & Girls.
For more details, pliz contact: Resonant Office Keishampat Keisham Leikai, Near Manipur Rural Bank
Office Timing: 8:00 a.m. - 4:00 p.m.

# ক্যুবাদা বোইং ৭৩৭ ক্রাসতা ১০০ হেন্না শিখ্রে

***হভানা, মে ১৯ ঃ***

ঙরাং ইরাই নুমিত্তা বোইং ৭৩৭ পেসেঞ্জর প্লেন অমা অকিবগী মশক ফংনা ক্রাস তৌবগী থৌদোক্তা মীওই ১০০ হেন্না শিখ্রে অদুগা প্লেনগী অতেক–অকায় মরক অদুদগী অশোকপা মীওই অহুম চিংথোক্তুনা অরুবা ফিভমদা হোস্পিটালদা লায়কন্নরি হায়না ওফিসিয়েলশিং অমসুং ষ্টেট মেদিয়ানা ফোঙদোকখ্রে।



নোংপোক থংবা ক্যুবাদা হোলগুইনদা চৎখিবা দোমেষ্টিক ফ্লাইট অদু ঙরাং অয়ূক পূং ১১ তাবদা হভানাদগী পাইখৎখিবগী মতুং ইকুই কুইদনা ক্রাস তৌখিবনি। প্লেন অদুদা ক্রু মেম্বর ৯ গী মথক্তা অঙাং ৫ য়াওনা পেসেঞ্জর ১০৪ নৎত্রগা ১০৫ তোংখিবনি হায়রি।

ক্রু মেম্বরশিং অমসুং পেসেঞ্জর ৫ দি ফোরেন্নরশিংনি হায়না মেদিয়ানা রিপোর্ট তৌরি। অকূপ্পা মরোলদি পন্দনা ক্রাসকী থৌদোক অদুদা শিখিবশিংগী মনুংদা মেক্সিকাল সিটিজনশিংসু য়াওখ্রে হায়না মেক্সিকাল গভর্ণমেন্টনা ফোঙদোকখ্রে।

ক্রাসকী পাউ অসি য়াম্না নুংঙাইতে। মসিদা মীওই মশীং য়াম্না শিরম্বা য়ারি হায়না ৱ্রোটকাস তৌখিবা ৱারোল অমদা প্রসিদেন্ট মিগুয়েল দিয়াস–কেনেলনা ফোঙদোকখি।

ক্রাস তৌখিবা প্লেন বোইং ৭৩৭–২০১ অসি ১৯৯৯ দা শাবনি অমসুং দামজোহ কৌবা অপীকপা মেক্সিকাল ফার্ম অমদগী ক্যুবান এয়ারলাইন ক্যুবানা–না লিজদা লৌবনি।

ক্রাস অদুদা চাক্লিবা মৈ অদু মুথৎখ্রে অমসুং অশিবা হকচাংশিং অদু মশক খঙদোক্লবা ওথোরিটিজনা হোৎনরি হায়না প্রসিদেন্টনা হায়খি। হৌজিক খুদক্তা ক্রাস অদু করিদগী থোকখিবনো হায়বদু খঙবা ঙমদ্রি। মদু ইনভেষ্টিগেসন চথরি।

বোইং কোনা থোকপা ষ্টেটমেন্ট অমদা য়ু এস লোগী মখাদা অমসুং য়ু এস নেস্নেল ট্রান্সপোর্টেসন সেপটি বোর্ড অমসুং ক্যুবা ওথোরিটিজগী পাউতাক মখাদা পীবা য়াবা মতেং পূম্নমক পীনবা মখোয়গী তেক্নিকেল তিম থৌরাং তৌদুনা লৈ হায়খি।

ইথৎ লৈবাক অসিগী মথক্তা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা চহী দিকেদ কয়াগী ললোন ঈতিক্কী অথিংবা থম্লক্লিবনি। ষ্টেটনা চলাইবা মেদিয়াগী মতূং ইন্না ক্যুবানাগী সার্ভিসশিংগী মতাংদা মীয়াম্না ৱাকৎলকখিবশিং খঙননবা শগোলশেন নুমিত্তা ক্যুবাগী ফার্ষ্ট ভাইস প্রসিদেন্ট সেলভেদর ভালদেস মেসানা ক্যুবানাগী বোসশিংগা উন্নখ্রবনি। ক্যুবানাগী এয়ারলাইন সার্ভিস অসি হৌখিবা থা কয়ামরুমদগী হৌনা থবক ফজনা তৌদবা অমসুং ফ্লাইটকী মতম থেংথবগী ৱাকৎ কয়ামরুম লৈখ্রবনি।

এয়ারলাইন্স কম্পনি অসিদা লৈরিবা খুদোংচাদবশিংগী মনুংদা খরদি চহী অসিদা দোমেষ্টিক ফ্লাইট কয়ামরুম ককথৎখিবা অমসুং মতম য়াম্না শাংনা থেংথবা অসিনচিংবনি। ফিভম অসি এয়ারক্রাফ্ট অদুদা লৈবা তেক্নিকেলগী খুদোং চাদবশিংননি হায়না কম্পেনি অসিনা ফোঙদোক্লি।

বোইং ৭৩৭ এয়ারক্রাফ্টনা জি ই অমসুং ফ্রান্সকী সফ্রানগী জোইন্ট ভেঞ্চর অমনা শাবা মালেমগী খ্বাইদগী হেন্না শীজিন্নবা ইঞ্জিনশিংগী সপ্লাইয়ার ওইরিবা সি এফ এম ইন্টর্নেস্নেলনা শাবা ইঞ্জিনশিং শীজিন্নে।

## আফগান স্পোর্টস ষ্টেদিয়মদা বোম পোকখাইবদা ৮ শিরে



***জলালবাদ, মে ১৯ ঃ***

ঙরাং ইরাই নুমিৎকী অথেংবদা আফগানিষ্টানগী নোংপোক থংবা সিটি জলালবাদতা লৈবা স্পোর্টস ষ্টেদিয়ম অমদা থোকখিবা বোম পোকখাইবগী থৌদোকশিংদা য়ামদ্রবদা মীওই ৮ শিখ্রে অমসুং মীওই কয়া অমা শোকখ্রে।

থৌদোক অদুগী মতাংদা ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোরকপদা অশেংবা থা রামদানগী হৌরকপদা ক্রিকেট মেটচ অমা পাঙথোক্লিবা ফুটবোল ষ্টেদিয়ম অমদা পোকখাইবগী থৌদোকশিং অদু থোকখিবনি হায়রি।

প্রভিন্সিয়েল কাউন্সিলগী মেম্বর সোহরাব কাদেরিনা ফোঙদোকপদা মফম অদুদা কাপশিল্লকখিবা রোকেট অনী পোকখাইরকখি। মদুদা য়ামদ্রবদা মীওই ৬ শিখি অমসুং ৫০ শোকখি। অদুমকপু অরোয়বদা পূন্না মীওই কয়া শিখ্রে হায়বা অরেপ্পদি খঙবা ঙমদ্রি হায়খি।

নঙ্গরহারগী প্রেভিন্সিয়েল গভর্ণরগী ৱাঙাংলোয় অতৌলা খোগ্যানিনা থংন–থংননা য়ামদ্রবদা অহুম্লক পোকখাইখিবা থৌদোক অদুদা ক্রিকেট মেটচ য়েংলিবা মীওই ৮ শিখ্রে অমসুং মীওই ৪৩ শোক্লে হায়খি।

হৌজিক ফাওবদা পোকখাইবগী থৌদোক অদু চথবনি হায়বা কনাগুম্বা অমত্তা থোরক্ত্রি। পাকিষ্টানগা ঙমখৈ তায়নরিবা নঙ্গরহার প্রোভিন্স অসি চহী অসিদা হিংশাগী থৌদোক হেনগৎলকখি। থৌদোকশিং অদুগী মনুংদা ইকুই কুইদ্রিঙৈগী মমাঙদা হৌখিবা চয়োলদা ষ্টেট একাউন্টস ওফিসতা চথরকখিবা এটেক্ট অমদা য়ামদ্রবদা মীওই ১৫ শিখি। প্রোভিন্স অসিদা সেক্যুরিটিগী ফিভম নোংম–নোংমগী শোকচিল্লকপা লোয়ননা ইস্লামিক ষ্টেট ফাইটরশিং অমসুং টালিবানগী অকনবা মফম ওইরকপদগী হৌখিবা চয়োলদা গভর্ণর মফম লৌথোকখ্রবনি।

## য়েৎনরিবা সাউথ চাইনা সি দা চাইনানা লোং–রেঞ্জ ঐইচ–৬ কে বোম্বর লেন্দিং তৌখ্রে

***মনিলা, মে ১৯ ঃ***

অকোয়বদা লৈবা লৈবাক কয়ামরুমনা মখোয়–মখোয়গী লমগী শরুকশিংনি হায়না য়েৎনরিবা সাউথ চাইনা সি দা লৈবা ইথৎ অমদা চাইনানা লোং–রেঞ্জ ঐইচ–৬ কে বোম্বর য়াওনা লান বোম্বর প্লেনশিং লেন্দিং তৌখ্রে।

চাইনানা লৌখৎলক্লিবা খোঙথাং অসি লমদম অসিদা লৈরিবা টেরিতোরি পূম্নমকপু য়ৌবা ঙম্নবা চাইনাগী শক্তি হেনগৎহন্নবনি। আইলেন্দশিং অমসুং রিফশিংদা চথরিবা দ্রিলশিংদা বোম্বরশিং অসি শরুক য়ারি। মখোয়গী খ্বাইদগী নৌবা থৌওং অসিনা লমদম অসিদা অনৌবা উংখৎনবা অমা থোকহল্লবা য়াই।

ললোন ঈতিক্কী য়াম্না মরু ওইবা ঈশিং লম্বী অমা ওইরিবা সাউথ চাইনা সি গী লমদম অসি অকোয়বদা লৈবা লৈবাক তরুক্না মুন্নরিবনি। মুন্নরিবা লৈবাকশিং অদুগী মনুংদা চাইনা, ভিয়েৎনাম, ফিলিপিন্স, তাইৱাল অমসুং মালেসিয়া য়াওরি।

বোম্বরশিং অদু মফম কদায়দা লেন্দিং তৌবনো হায়বা অককন্নবা ৱাফম ফোঙদোক্তনা বৈজিংগী দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা ট্রেনিং দ্রিল অদুদা সি তার্গেটশিংদা সিমুলেটেদ ষ্ট্রাইকশিং তৌবা য়াওই হায়খি।

ঐইচ–৬ কে পাইলোট গে দাকিংনা থোকখিবা চেরোল অমদা পাঙথোক্লিবা ট্রেনিং অদুনা ঐখোয়গী থৌনা পাঙ্গল ময়া থৌগৎহল্লগনি অমসুং অশেংবা লান অমদা ঐখোয়গী তৌবা ঙম্বশিং হেনগৎহল্লগনি হায়খি।

সমুদ্রগী লম অসিদা লৈবা পরাসেল আইলেন্দশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী চাওবা ওইরিবা ৱুদি আইলেন্দদা লৈবা বেজ অমদগী বোম্বর অদুনা পাইথরকপা অমসুং পাইখৎখিবগী শক্তম অদু চাইনিজ কম্যুনিষ্ট পার্টিগী পাউ–চে পিপলস দেলিগী ভিডিও অমনা উৎলি। হায়না এসিয়া মেরিটাইম ট্রান্সপরেন্সি ইনিসিয়েটিভ (এ এম টি আই) গী এক্সপার্টশিংনা হায়রি।

চাইনানা য়োংজিং হায়না কৌরিবা ৱুদি আইলেন্দ অসি ভিয়েটনাম অমসুং তাইৱান্নসু মখোয়গী লমগী শরুকনি হায়না দাবি তৌরিবনি। চহী চা কয়াগী মমাঙদগী হৌনা সাউথ চাইনা অসিদা লৈরিবা ইথৎশিং অসিদা মখোয়গী হক লৈরকই হায়রদুনা চাইনানা মফম অসিদা লম্বী শরুক অদু ক্লেম তৌরি। মখোয়গী ক্লেম অদুবু শৌগৎতুনা ১৯৪৭ তা মেপ অমা পুথোকখ্রবনি।

য়ু এন কনভেন্সন ওন দি লো ওফ সি হায়বসিনা লৈবাকশিংবু মখোয়গী সমুদ্র তোর্বান্দগী নাউটিকেল মাইল ২০০ ফাওবা এক্সক্লুসিফ ইকোনোমিক জোন অমা লৈবা য়াহল্লি। মসিনা স্প্রাটলি আইলেন্দশিংগী অয়াম্বা শরুক্তিং ফিলিপিন্স অমসুং মালেসিয়াগী টেরিতোরিয়েল ৱার্টরগী মনুংদা চনগনি।

ALL INDIA CIPET JEE 2018, APPLY ONLINE
Central Institute of Plastics Engineering & Technology (CIPET)
सेन्ट्रल इंस्टिट्यूट ऑफ प्लास्टिक्स इंजीनियरिंग एण्ड टेक्नोलॉजी (सिपेट)
CIPET सिपेट
(Dept. of Chemicals & Petrochemicals, Ministry of Chemicals & Fertilizers, Govt. of India)
Takyelpat, Industrial Estate, Imphal-795001
Admission through Computer Based Test (CBT) JEE 2018-19
Apply Online: http://eadmission.cipet.gov.in
Excellent Placement track record
Diploma, Post Diploma and Postgraduate Diploma Courses

| Sl. No. | Name of Course | Course Duration | Entry qualification |
|---|---|---|---|
| 1 | Postgraduate Diploma in Plastics Processing & Testing (PGD-PPT) | 1½ Years | B.Sc. (3 Years Degree in science with Chemistry as one of the subjects) |
| 2 | Postgraduate Diploma in Plastics Testing and Quality Control (PGD-PTQC) | 1½ Years | B.Sc. (3 Years Degree in Science, Chemistry with Physics and Math) |
| 3 | Post Diploma in Plastics Mould Design with CAD/CAM (PD-PMD with CAD/CAM) | 1½ Years | 3 year Diploma (for details visit CIPET website) |
| 4 | Diploma in Plastics Mould Technology (DPMT) * | 3 Years | X Std. Pass |
| 5 | Diploma in Plastics Technology (DPT) * | 3 Years | X Std. Pass |

*Candidate should have attained 15 years of age as on 31st July, 2018

| Important Dates : | | |
|---|---|---|
| | Date of opening for JEE online applications | 28/04/2018 |
| | Date of closure for JEE application submission | Pls. Refer CIPET Website |
| | Last date for issue of Admit Card for appearing CIPET - JEE | |
| | Date of CIPET-JEE | |
| | Date of commencement of courses | 01/08/2018 |

CIPET Campuses: Ahmedabad, Amritsar, Aurangabad, Agartala, Baddi, Balasore, Bhopal, Bhubaneswar, Chandrapur, Chennai, Gurgaon, Guwahati, Dehradun, Hyderabad, Hajipur, Haldia, Imphal, Jaipur, Kochi, Lucknow, Madurai, Murthal, Mysore, Raipur, Ranchi, Valsad and Vijayawada.
For assistance: +91-8415901941/8974431157 www.cipet.gov.in
SL/BILL/20

### GAS TODAY

**Khoriphaba Gas, Nambol**
Booking : 18/05/18
Valid : 18/05/18
Stk : 130
Time : 06.30 to 08.30 a.m

**Maibia Gas, Moirang**
Booking : 09/04/18
Valid : 06/04/18
Stk : 306
Sl. No. from 3401 to 3840
Time : 07.00 to 11.00 a.m

**Heirok Indane**
Booking : 30/04/18
Valid : 08/04/18
Stk : 304
Time : 07.30 to 10.30 a.m

**Khumbong Indane**
Booking : 17/04/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m

**J. Rongmei Gas, Wangoi**
Booking : 25/04/18
Valid : 23/04/18
Stk : 1306
Time : 06.30 to 09.30 a.m

### সনা–সুদোকু –১১৭১ গী সোল্যুসন

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 8 | 5 | 4 | 6 | 2 | 1 | 9 | 3 | 7 |
| 7 | 9 | 3 | 4 | 5 | 8 | 2 | 1 | 6 |
| 2 | 6 | 1 | 9 | 7 | 3 | 8 | 5 | 4 |
| 6 | 7 | 9 | 5 | 3 | 2 | 1 | 4 | 8 |
| 5 | 1 | 2 | 8 | 4 | 7 | 3 | 6 | 9 |
| 3 | 4 | 8 | 1 | 6 | 9 | 5 | 7 | 2 |
| 4 | 3 | 5 | 2 | 9 | 6 | 7 | 8 | 1 |
| 1 | 2 | 6 | 7 | 8 | 5 | 4 | 9 | 3 |
| 9 | 8 | 7 | 3 | 1 | 4 | 6 | 2 | 5 |

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-1172**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | 9 | | | 3 | | | 6 | 7 |
| | | 8 | | | | 1 | | |
| | 4 | 2 | 8 | | 1 | | | |
| 5 | | 4 | | | 7 | | | |
| 7 | 3 | | | | | | 5 | |
| 9 | | | | | 2 | 4 | | |
| | | | 7 | 5 | | | 4 | |
| | | | | | 3 | 2 | | 1 |
| | 6 | | | | | | | |